# চাইনানা টাইৱানবু ইরায় লায়না লৌশিনবা হায়বসি ওইথোক্লোইদবা ৱাফম্নি : দিফেন্স মিনিষ্ট্রি



টাইপৈ, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
চাইনানা মখোয়গী অঙম্বা পান্বে পুথোক্তুনা টাইৱানবু খুদুম চন্নবা হোৎনরবসু মদু ইরাই লাইনা ওইথোকপা ঙম্লোই। ঈথৎ লৈবাক অসি চাইনানা খুদুম চন্নবা হোৎনবদা মখোয়দা চাওনা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লগনি হায়বসি মখোয় মশানসু খঙজরিবা ৱাফম অমনি হায়না টাইৱানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ঈথৎ লৈবাক অসিগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা, চাইনানা টাইৱানবু খুদুম চন্নবা হোৎনবদা মতম অমত্তদা মখোয়গী ট্রুপশিং ঈথৎ অসিদা দিপ্লোয় তৌবা মথৌ তারি। অদুবু হায়রিবা অসি থবক্তা হেক্তা ওল্হোকপা য়াবা ৱাফম অমদি ওইদ্রি। চাইনানা থেঙ্খাং কয়ারক্তা টাইৱানগী ঙমখৈগী শরুক্তা শিংনদুনা লাক্লবসু মখোয়না পাল্লিবা ঈথৎ লৈবাক অসিবু কন্ত্রোল তৌবা হায়বদুদি ওইথোকপদা ৱানা থোক্কনি।

চাইনানা মখোয়গী ট্রুপশিং ঈথৎ লৈবাক অসিদা দিপ্লোয় তৌনবা হোৎনবদা মরুওইবা লম্বী অনী শিজিন্নগনি। মরুওইনা লৈবাক অনী অসিবু তোঙান তোঙান খায়দোক্তুনা থল্লিবা টাইৱান ষ্ট্রেট অমদি নোংথক্কী লম্বীদা ট্রুপশিং দিপ্লোয় তৌনবা হোৎনগনি। অদুবু টাইৱানগী ওইনসু দিফেন্স সিষ্টেম মপাঙ্গল কন্না লৈবনা মরম ওইরগা মশিং য়াল্লবা ট্রুপশিং পুশিল্লক্লবা হোৎনবদা চাইনানা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবগা লোয়নননা মীশি মীনা কয়াসু থোকহনগনি।

মসিগী মথক্তা টাইৱানগীদমক মতেং পাংনবা লৈরিবা লৈবাকশিংদগী লাক্লিবা ট্রুপশিং মতম অমত্তদা থিংনবা হোৎনবা হায়বসি চাইনাগী ওইনদি য়াম্না লুবা ৱাফম অমা ওইরি। য়ু এস অমসুং জপানিজ মিলিটরিশিং টাইৱানগী মনাক নক্না লৈরি। মরম অদুনা চাইনানা টাইৱানখক্তদা মীৎয়েং থল্লগা থবক তৌবসু ঙম্লোইদৌরি। মসিনা মরম ওইরগা ৱার্ল্ড পৱার অসিনা থল্লিবা পান্দম য়ৌবা ঙমদনা অদুম্মক ইকাইবা নংদুনা হনখিবা হায়বসি শোয়দ্রবা ৱাফম্নি হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# কোভিদ-১৯গী কেস মশিং হেনগৎলকপদগী প্রদক্সন কম্পনি কয়া সস্পেন্দ তৌখ্রে

শাংহাই, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
চাইনাগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ঝৈজিয়াং প্রোভিন্সতা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অমুক হন্না থুনা য়াংনা শন্দোকপা হৌরকখ্রবা মতুং প্রোভিন্স অদুদা লৈরিবা কম্পনি কয়া সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়না লোকল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওথোরিটিশিংনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা থা অসিগী ৬ তগী ঙসিফাওবদা হায়রিবা প্রোভিন্স অসিদা কোভিদ-১৯ অনৌবা কেস ১৭৩ থেংনখি। হায়রিবা কেসশিং অসি মপান লমদগী লাকখিবা মীওইশিংদা থেংনখিবা নত্তে। লোকেল ওইনা শন্দোরকপা ঙাক্তনি। চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তগী হৌরগা হৌজি কফাওবগী ওইনা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং অসি হন্দক্কী অসিনা খ্বাইদগী ৱাংলি। মরম অদুনা মরী লৈনবশিংনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না প্রদক্সন কম্পনিশিং মতম খরগী ওইনা সস্পেন্দ তৌনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

মমাং থাদা প্রোভিন্স অসিদা শুপ্নতগী লোকেল কেস অমখক থেংনখি। মমাং থাদা কেস অমখক থেংনরগা নুমিৎ ৭ নিদা কেস ১৭৩ হেন্না থেংনরকখিবা অসি তরায়না লৌফম থোক্তে। মরী লৈনবশিংনা সস্পেন্দ তৌখ্রবা কম্পনিশিং অদুগী মনুংদা লৈবাক অদুগী ওইনা মমিং লৈরবা প্রদক্সন কম্পনি নিংবো হোমলিঙ্ক ইকো-আইটেক কো লিমিটেদ, ঝৈজিয়াং ঝোংঝিন ফ্লোরাইদ মেটরিয়েলস কো লিমিটেদ, ঝৈজিয়াং জিংসেন মেকানিকেল এন্দ ইলেক্ট্রিকেল কো লিমিটেদ অমসুং ঝৈজিয়াং ফেংলোং ইলেক্ট্রিক কো লিমিটেদ য়াওরি। হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯ গী ফিভম অসি য়েংলগা মখা তানা কম্পনিশিং অসি হান্নগুম মথৌ তৌহনবা নৎত্রগা তৌহন্দবা হায়বদু মথং চয়োলদা মরী লৈনবশিংনা লেপ্পবা য়ানা লৈরি।




লৈবাক অসিদা হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা সাউথ অফ্রিকাদা ইহান হান্না থেংনখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোননা কা হেন্না চৈথেং পীবা লৈত্রবসু হান্না লৈরম্বা দেল্টা ভেরিয়েন্টনা অকনবা মওংদা চৈথেং পীবা হৌরক্লি। মসিদগী মীয়াম্না য়াম্না চেকশিন্না লৈবগা লোয়নননা মমাং মতমদা শেমখিবা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈনবা চৎন-কাংলোনশিং মীয়াম্না ঙাক্না চৎকদবনি হায়না ওথোরিটিশিংনা খঙহল্লকখিবগা লোয়নননা ওমিক্রোন ভেরিয়েন্টকী মতাংদসু লৈবাক অসিগী সাইন্টিষ্টশিংনা অকনবা মওংদা থিজিনবগী থবক চথুরি হায়রি।

# ৱাখল্লোন মান্নদবা লৈরিবশিং ৱারী শাদুনা য়াশিন্নবা পুরক্নবা হোৎনগদবনি : টেহরান

টেহরান, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা তৌনখিবা ন্যুক্লিয়র দিল অদু অমুক রিভাইব তৌহন্নবগীদমক ৱার্ল্ড পৱারশিং য়াওনা ইরানগা ৱারী শাবগী থবক চথুরিবা অদুনা অরোইবনি হায়না বৃটেননা ফোঙদোকখ্রবা মতুং মান্নদবা ৱাখল্লোন কয়া লৈরিবা অসি ৱারী শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনগদবনি হায়না ইরানগী চীফ নেগোসিয়েটরনা ঙরাং ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা ইরানগী অপাম্বসু য়াশিন্নবা পুরক্তুনা নুক্লিয়র দিল অসি অমুক হন্না রিভাইব তৌহনবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা টেহরানগী চীফ নেগোসিয়েটর অলি বাঘেরিনা ফোঙদোকখিবদা, ইরাননা ন্যুক্লিয়র দিল অসিদা ইন্টরেষ্ট লৈতবগী মমি উৎখিবা লৈতে। হিরম অসি টেহরাননা য়াম্না সেরিয়স ওইনা মমাং মতমদগী লৌদুনা লাক্লি। হৌজিকসু লৌরি। অদুবু ৱেষ্টর্ন কন্ত্রিশিংনা মখোয় মশাগী অপাম্বা মওংদা থবক তৌবনা মরম ওইরগা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবনি।

ভিয়েনাদা হৌজিক পাঙথোক্লিবা মিফম অসি মখা চথনবা হোৎনবদা টেহরাননা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখিবনি। অদুবু য়ু এস অমদি মখোয়গা চৎমিন্নরিবা লৈবাকশিংনা ইরানবু মতম পুম্বদা অরানবা তাহন্নবা হোৎনরি। মসি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়রি।

# রোদ এক্সিদেন্টতা টালিবান মেম্বর ৫ শিরে, ৪ শোক্লে

কাবুল, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানগী পরৱান প্রোভিন্সকী মনুং চনবা মফম অমদা টালিবান ফাইটরশিংনা তোংদুনা লাকখিবা গাড়ি অমা খঙহৌদনা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মথক মখা ওনবগী থৌদোক্তা গাড়ি অদুদা তোংলকখিবা টালিবান মেম্বর ৫ শিখিবগা লোয়নননা ৪ না অশোক অপন নংখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা থৌদোক অদুদা শোক্লবা টালিবান মেম্বরশিং মনাক নকপা হোস্পিটালদা খুদক্কী ওইনা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চথখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা পরৱান প্রোভিন্স সিক্যুরিটি দিপার্টমেন্টকী হেদঅৱাল গুলনা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অসি প্রোভিন্স অসিগী মনুং চনবা বগ্রমদা থোকখিবনি। মতৌ করম্না গাড়ি অদু এক্সিদেন্ট থোকখিবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু গাড়ি অদু ব্রেক ফেল ওইরকপদগী কন্ত্রোল ঙমদদুনা লম্বীগী দাইভরসনদা থোমজিল্লবা মতুং মথক মখা ওনখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

অফঘানিষ্টানদা টালিবাননা লৈঙাক পায়রকখ্রবা মতুং তোঙান তোঙানবা মফমদা থোকখিবা থৌদোক ৭ তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৬৩০ শিহনখ্রে অদুগা কয়া অমনা শোকহনখ্রে। হায়রিবা থৌদোকশিং অসি মরুওইনা ইস্লামিক ষ্টেটকা মরী লৈনবা লালহৌবশিংনা থোকহনখিবনি হায়না মরাল শিরক্লি।

# সাউথ অফ্রিকাগী প্রসিদেন্ট কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরে



জোহন্সবর্গ, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা সাউথ অফ্রিকাগী প্রসিদেন্ট সিরিল রমাফোসা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরম্বা থেংনখিবগা লোয়নননা মহাক্না নক্লরম্বা মীওইশিং টেষ্ট তৌবগী থবকসু চথখ্রে হরায়না প্রসিদেন্ট ওফিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।


হিরম অসিগা মরী লৈননা প্রসিদেন্ট ওফিসনা ফোঙদোকখিবদা, রমাফোসা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন ফুল দোজ কাপখ্রবা মীওই অমনি। অদুবু মহাক মশা নুংঙাইরক্তবদগী ঙরাং টেষ্ট তৌরুবা মতমদা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরে হায়না কনফার্ম তৌখিবনি। মহাক মশা পোজিটিব ওইরে হায়না কনফার্ম তৌখ্রবা মতুং মহাক্না নক্লরম্বা মীওইশিংসু টেষ্ট তৌবা হৌখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি পোজিটিব কেসশিং থেংনদ্রি।

কেপ টাউনদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা প্রসিদেন্ট রমাফোসা আইসোলেট তৌদুনা লৈখ্রে। মহাক্কী হকচাংগী ফিভম খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রি। অদুবু চয়োল অমগী ওইনা প্রসিদেন্টকী থবক থৌরমশিং দিপ্যুটি প্রসিদেন্ট দেবিদ মাবুজাদা পাঙথোক্নবা শিন্নখ্রে হায়রি। পনবা য়াবদি কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওমিক্রোন অসি লৈবাক অসিদা ইহান হান্না থেংনখিবনি।

# মেনেজরদা রেপ কেসকা মরী লৈননা চার্জ তৌখিবী ষ্টাফ নুপী থবক্তগী লৌথোকখ্রে, মেনেজর সস্পেন্দ তৌখ্রে

বৈজিং, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
অলিবাবা গ্রুপ হোল্ডিং প্রাইভেট লিমিটেদতা থবক তৌবী ষ্টাফ নুপী অমনা মহাক্কী মেনেজরদয়না মহাকপু নম্ফুদা রেপ তৌনবা হোৎনখি হায়না মরাল শিখ্রবা মতুং নুপী ষ্টাফ অদু কম্পনি অদুদগী তান্থোকখ্রে অমদি থৌদোক অসিদা চেন্নৈ হায়রিবা মেনেজর অদুগা লোয়নননা এগজিক্যুটিব ওফিসর অনী থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরকখিবদা, ঝৌ (অশেংবা মমিং নত্তে) কৌবী কম্পনি অসিদা হান্না থবক তৌরম্বী ষ্টাফ নুপী অসিগী মতুংইন্না হৌখিবা ওগষ্ট থাদা মহাক্না পুন্না থবক তৌমিন্নবা সেনিয়র মেনেজর অমনা মহাকপু ওফিসকী থবক অমা শুমিন্নসি হায়না মহাক্কী কেবিনদা কৌশিল্লবা মতুং নুপী ওইবীগী ইকাইখুম্নবা মাঙহন্নবা হোৎনখি। অদুবু মহাক মফম অদুদগী নম্ফুদা চেন্থোরকখি। মদুগী মতুং মহাক্না কম্পনি অদুগী মরী লৈনবা মকোক থোংবশিংদা হিরম অদুগী মতাংদা খঙহনখিবগা লোয়নননা মেনেজর অদুগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবসু খঙহনখি। অদুবু কম্পনি অদুগী মায়কৈদগী মরী লৈনবা এক্সন অমত্তা লৌখৎলক্তবদগী মহাক্না ৱাফম অসি




সোসল মিদিয়াদা ফোঙদোকখি। মদুগী মতুং ইকান কান্নদনা মহাকপু মমাং থাগী ২৫ দা থবক্তগী লৌথোরকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা হিরম অসিগা মরী লৈননা পুলিসকী মকোক থোংবা ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা হিরম অসিগী মতাংদা পুলিসনা থিজিনবগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। পুলিসনা ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না ভিক্টিম নুপী অসিবু থবক্তগী টর্মিনেট তৌরকখিবা নুমিৎ অদুমক্তদা চেন্নরম্বা য়াই হায়না চিংনরিবা মেনেজর অদুগা লোয়নননা এগজিক্যুটিব ওফিসার অনী থবক্তগী সস্পেন্দ তৌরমখ্রে। নুপী ভিক্টিম অসিনা মহাক্কী মেনেজর অসিগী মথক্তা শিরক্লিবা মরাল অসি কদায় য়ৌনা চুল্লবগে হায়বগী মতাংদদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

# ওপোজিসন ফাইটরশিংনা মোগাদিসুগী শরুক খরা কোয়শিন্দুনা থমখ্রে

মোগাদিসু, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
সোমালিগী প্রসিদেন্টনা মহাক্কী টর্ম চহী অনী অমুক হন্না শাংদোকহনখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা রুল্লিং অমসুং ওপোজিসন অনীগী মরক্তা চাওনা য়েৎনবশিং থোক্তুনা লাক্লি।

ঙরাংদগী হৌরগা রুল্লিংগী ৱার্করশিং অমদি ওপোজিসনগী সপোর্টরশিংগা উংখৎনদুনা লাকখিবনি। মদুগী মতুং ঙসি সোমালি ওপোজিসন ফাইটরশিংনা মোগাদিসুগী শরুক খরা কোয়শিন্দুনা থমখ্রে। সোমালি গভর্ণমেন্ট ফাইটরশিংসু মখোয়গী ফীভম শেমদুনা লৈখ্রে।

ঙসি ওপোজিসনগী খূৎলাই পায়বা লান্মীশিং বুলেট প্রুভ ভেহিকল অমসুং মেছিনগনশিং পুদুনা মোগাদিসুগী অকোয়বদা থৌজিল্লকখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী মরু ওইবা লম্বী খরসু থিংজিনখ্রে। থৌদোক অদুবু হকথেংননা উখিবা অব্দুলাহি মিরনা ফোঙদোকখিবদা সোমালি সেক্যুরিটি ফোর্স অমসুং প্রো ওপোজিসন ফাইটর অনীমক্না সরক্কী ৱাংমা ৱাংমদা ফীভম শেমদুনা লৈনখ্রে।

সিভিলিয়ন ট্রান্সপোর্টেসনগী থবক্তি লম্বী খরদা অদুমক চথুরি। অদুগা লম্বী খরদনা মপুং ফানা অথিংবা থমখ্রে। চহী দিকেদ কয়া লৈবাক মনুংগী ওইবা উংখৎনবগী থৌওংশিংনা সোমালিয়াগী ফীভম অতোপ্পা লৈবাকশিংগা য়েংনরুবদা য়াম্না শোথনা লাকখিবনি। চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা মীয়ামগী মীহুৎ খন্নবগী ইলেক্সন পাঙথোকপা ঙমখিদবা অসিনা মরম ওইরগা সোমালিয়াদা অমুক্কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইহল্লক্লবা মরম অমা ওইরক্লি।

সোমালিদা হৌজিক হৌজিক প্রসিদেন্ট ওইরিবা মীয়াম্না ফরমাজো হায়রগা হেন্না খঙনরিবা মোহমদ অব্দুলাহিনা অনৌবা লো অমা শেমদুনা মহাক্কী প্রসিদেন্ট ওইবগী মতম চহী ২ শাংদোকহনখিবনি। ফরমাজোগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈবাক অদুগী কোনুং মোগাদিসুদা ওপোজিসনগী ৱার্করশিং থোরক্তুনা খোঙজং কয়া চঙশিনখি।

পুলিসনা মীয়ামগী ঈহৌ অদুবু কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা নাকল অনীগী মরক্তা চাওনা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকখি। নাকল অনী উংখৎনখিবা অদুদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি অশোক অপন থোকপগী পাউ লৈত্রি। প্রো ওপোজিসন ফাইটরশিংনা মোগাদিসুগী শরুক খরদা অরিংবা মখলগী খূৎলাইশিং পায়দুনা লৈখ্রবসু নাকল অনীগী মরক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খূৎ থোক্লবা লৈত্রি হায়রি। অদুবু নাকল অনীগী মরক্তা মতম অমদা হেক্তা খূৎ থোক্লরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা মরম ওইরগা মফম অদুগী অকোয়বা অমদি মনাক নক্না লৈরিবা মীওই কয়াদি চরাংনবা পোক্তুনা লৈরি হায়রি।

# অকিবা অমত্তা ফাওদনা য়াম্না নুংঙাইনা তুমখি : পি এম

টোকিও, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
নুমিদাংগী মতমদা কা হেনবা তাবা নুংঙাইতবা অকিবা খোঞ্জেলশিং য়াম্না তোইনা তাই হায়দুনা কিনবদগী জপানদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখ্রবশিংনা চহী ৯ হেন্না লৈয়ু য়াদনা লাকখ্রবা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসল রেসিদেন্স অমা ইহান হানবা ওইনা হৌজিক হৌজিক জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা ফুমিও কিসিদানা ইহান হান্না অমুক হন্না লৈবা হৌখিবগা লোয়নননা মীয়াম্না কিনরিবা ওফিসল রেসিদেন্স অদুদা মহাক য়াম্না নুংঙাইনা তুমখি অমদি মহাক্কী মশাদা অকি অখঙ অমত্তা ফাওখিদে হায়রি।

হৌখিবা কুমজা ১৯৩৬ তা লৈবাক অদুদা কূ তৌনবা হোৎনখিবা মতমদুগী নহা ওইরিবা মিলিটরি ওফিসারশিংনা মতমদুগী ফাইনান্স মিনিষ্টর য়াওনা মকোক থোংবা সেনিয়র ওফিসল কয়া হায়রিবা মফম অসিদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি। মতম অদুদগী হৌরগা হায়রিবা মফম অসি মীয়াম্না য়াম্না কন্না তক্নৈ হায়না কিনখি। মদুগী মতুং চহী খরা লৈরগা মফম অসিদা মী লৈনদনা মতম শাংনা লাকখিবনি।

হায়রিবা মফম অসি য়াম্না ফজবা অমদি য়াম্না পাক চাওবা মরম্না ফজনা শেমজিল্লবদি লৈবদা য়াম্না নুংঙাইবা মফম অমা শোইদনা ওইগনি হায়বগী থাজবগা লোয়নননা মহাক্না মফম অসিদা লৈবা হৌখিবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর ফুমিওনা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা মফম অসি য়াম্না ফজনা শেমজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে। হায়রিবা মফম অসিদা মহাক অহিংগী মতমদা য়াম্না নুংঙাইনা তুমখি। মরম অদুনা কিনঙাই ওইদে হায়রি।

# মিলিটরি অমদি মীয়ামগা চাওনা মুক্নখ্রে

য়াঙোন, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী) :
হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১ দগী হৌরগা ম্যান্মারদা মিলিটরিগী ওইবা লৈঙাক অমা লাকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং লেপ্পা লৈতনা থোকপা হৌরকখিবগা লোয়নননা লৈবাক অদুগী মীয়াম অমদি মিলিটরিগী মরক্তা চাওনা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোক্তুনা লাক্লি। ঙসি লৈবাক অসিগী মরুওইবা সিটি অমা ওইরিবা মন্দলেদা মীয়াম অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা চাওনা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকখ্রে হায়রি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না ঙসি হৌনরুবা তৌদনা মশিং য়াল্লবা মীওই কয়া মন্দলেগী মরুওইবা লম্বীশিংদা থোরক্তুনা পুনবা হৌরকখি। মদুগী মতুং হৌজিক লৈরিবা মিলিটরি জুন্তা অমদি মসিনা চথুরিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোল্লাউ কয়া লাউখিবগা লোয়নননা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অমুক হন্না লাকহন্নবা দিমান্দ তৌদুনা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখিবনি। মীয়ামনা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখ্রবা মতুং মনাক নক্না মথৌ তৌদুনা লৈরম্বা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীয়ামগী খোঙজং অদুবু থিংনবা হোৎনখি।

মীয়ামগী খোঙজং অদুবু থিংনবা হোৎনখিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমদি খোঙজংলোয়শিংগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকপা হৌরকপদগী সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা টিয়র গ্যাস সেল কয়া কাপ্তুনা মীয়াম অদুবু তানখায়খি। মীয়াম তানখায়নবা হোৎনবদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লাইভ রাউন্দশিং কাপখি হায়নসু রিপোর্টশিং অসিনা ফোঙদোরক্লি।


## THE HIGH COURT OF MANIPUR
## AT IMPHAL

/ ADVERTISEMENT

*Imphal, the 10th December, 2021*

No. HCM/A-24/80-Estt.(V)Pt.I./ Applications are invited online for filling up of the following post in the Scale of pay as given against the post

| Sl. No. | Name of Post | Scale of Pay | No. of Post | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | UR | ST | SC | OBC (M) | OBC (MP) | TOTAL |
| 1. | Cook | Rs. 5200-20200 + Grade Pay of Rs. 1900/-PM plus other allowances as admissible under the Rules | 1 | 0 | 0 | 0 | 0 | 1 |

Details along with the mode of application are available in the High Court website – http://hcmimphal.nic.in.

Important Dates:

- **Opening of Online Registration and Submission of Application Forms: 20-12-2021(11:00 A.M.)**
- **Closing of Online Registration and Submission of Application Forms: 03-01-2022 (04:00 P.M.)**
- **Download of Admit Cards: will be notified later in the official website www.hcmimphal.nic.in**

*Sd/-*
**( PH. JAPAN SINGH )**
I/C REGISTRAR (ADMN.)
HIGH COURT OF MANIPUR

HL-B/7355/14,15



## GOVERNMENT OF MANIPUR
## DIRECTORATE OF TRANSPORT

/ **NOTIFICATION**

Imphal, the 13th December, 2021

**No. DT/78/Direct Recruitment/2020:** In pursuance of Secretariat Transport Department letter No. ESTA-102/8/2021-T(MV)-TPT dated 11th December, 2021, it is hereby notified to all concerned that the result of Physical Examination and Driving Test for direct recruitment to the post of Sub-Inspector (Enforcement), Assistant Sub-Inspector (Enforcement), Checker and Driver has been declared.

Details of the result can be seen on the Notice Board of the Manipur State Transport (MST), Moirangkhom near Kalimai Mandir.

For all the posts wherever written examination is required, tentative dates of written examination is on 19th & 20th December, 2021. Venue and details will be notified later.

Sd/-
**(Dr. Nivedita Lairenlakpam)**
Director (Transport)
Manipur

HL-B/7358/14



## GOVERNMENT OF MANIPUR
## TOWN PLANNING DEPARTMENT

/ **NOTIFICATION**

**Imphal, the 13th December, 2021**

**No. 3/2/2021-TP/540**: This is for information of all the applicants who had submitted application form in response to this Office Notification of even No. dated 25.10.2021 for recruitment to the following Grade-C & D posts of (1) Office Assistant cum Computer Operator, (2), Lower Division Clerk, (3) Driver (Light) and (4) Peon in Town Planning Department, Manipur that the written test will now be held on **19.12.2021**. The Admit Card can be collected from the office of the Town Planning Department from **15.12.2021 to 18.12.2021** between **11:00 hrs** to **16:00 hrs** only.

2. The Admit Cards should be collected by the applicant personally. In case, it is to be collected by a representative, he or she should bring the applicant's identification card.

3. The Admit cards issued does not summarily mean the eligibility. If any documents submitted by the applicants are found false or incorrect at a later date, the candidature are liable to be cancelled.

**Sd/- Y. Narmada Devi**
Chief Town Planner
Government of Manipur

HL-B/7356/14,15